ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ২৮, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২১৪শুবা মশীং

## অৱাই-অখুম

### হিয়াং তান্নরিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌবা

রুল্লিংগা ওপোজিসনগগী মরক্তা কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজম পীনবা হায়বসিদি কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী চৎনরক্লিবা লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনগা শাগোন্নদুনা লাক্লবনি। মীতৈ ফূরুপসিগী ওইনা লৈজবা পাউরৌদা হায়রগনা হিমাই চুম্বা অমসুং হিনাও শাবা হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং লৈরক্লিবনি। অদুবু মসি পূন্নমক লৈজরগসু রুল্লিংগা ওপোজিসনগগী মরক্তা অমনা অমগী অশোয়বা, অরানবা পুথোক্লরগা পেদ্রিৎ থোক্কা ঙাঙন-শক্লবা, চৈনবা-হুন্নবা, অমনা অমদা মরাল শীজিন্নবগী থবকসিদি দেমোক্রেসি হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিনা কুপশিল্লিবা লৈবাকসিগী মফম পূন্নমক্তা থোকই। লৈঙাক্লোনসি লৈরিবা মখৈসু মখা তানা থোরকখিগনি হায়নসু থাজরি। অদুবু হায়রিবা থবকসি এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী হাউসশিংদা তৌনবা ওইরগদি হাউসশিং অদুগী রুলশিংনা পিরাই ঙাক্লগা ময়ায়দা চত্থনবনি। রুলশিং অদুবুসু চৎনহন্নবা প্রেসাইদিং ওফিসর/স্পিকরনচিংবসু লৈবনিনা ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমসুং ৱাহৈ খোন্দাদা ফাওবা পাদম অমগী মনুংদা ফোঙদোক্কে। রুল্লিং অমসুং ওপোজিসনগী অচুম্বা থৌদাং লৌনদুনা মখোয়গী অশোংবা মচৎ খরা ফাওবদি ময়েক শেংনা উবা/তাবা ফংনৈ। অদুবু এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী হাউসশিংদসু নত্তবা মাগী-মাগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওফিস য়াওনা মীয়াম নৎত্রগা পাউমীশিংগা উনবা/থেংনবা মফমশিংদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসনগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্লরকপা ৱাফমশিংদদি থাঙলোন্দা ঙাঙনরকপা য়াওই। পনখৈ লৈতনা হায়নীংবা-ঙাঙনীংবশিং ফোঙদোক্লরকই। থৌদৌসি চত্থরক্লবসু এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্তেদ নৎত্রগা এপোইন্টেদ মেম্বরশিংনা ঙাঙথোক-শক্তোরকপনা খরা অমুক ফৈ। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী থৌ পুবশিংনি হায়জবশিংনা কাঙথোরকপা ৱাফমদি মখোয় মশেলগী মরক্তা খোয়দৌ শিক্লবা য়াওই। হুন্নরবদি লৈতূম ৱাৎতে হায়দুনা মরৈ শাংথনা অওক-অথোম তৌনরকই। ৱা কায়নরকপদগী ঈশিং চঙবা য়াওরকই।

থৌদৌসিমক হৌজিক মে ৩দগী লান নংলক্লিবা পীকখ্রবা ষ্টেটসিদসু থোকচিল্লক্লে। মখোয় মখোয়সে কম্মাই তৌসিগে? লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনসিদদি পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ইলেক্তেদ মীহুৎশিংনা লৌগদবা থৌদাংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে অমসুং চাউখ্রে। মতম-মতমগী লৈঙাকশিং, পার্টিশিং অসিগী মীয়াম্না খল্লকপা মীহুৎশিংনা পায়গদবনি। চৎনবিসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক অনীমক্কী ওইবা ৱাফমনি অদুবু মসিগী খুদোংচাবসি লৌরগা হৌজিক ফাওবদা লানসি পুল্লেপ-লেপখ্রে, মখা চত্থরক্লরোই হায়বগী পূক্লিং লূম্বা ফীভম অমদা ফাওবা লৈত্রিঙৈগী চৈরকসিদা লানসিগী মতাংদা চীন্দা-পাউদানদুনা অৱাই-অখুম তৌনবা চুম্ব্রা হায়বনি। থৌওংসিদি হিয়াং তান্নরিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌই হায়বদুগী থৌদৌনি হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? রুল্লিং অমসুং ওপোজিসনদা য়াওরিবা পার্টিশিংগী ঙাঙবা-শকপা হৈর-হৈরবশিংনা লানসিগী মতাংদা পঙাঙদা-ঙাঙলগা মীয়াম্না লোইনমক থাজরগদ্রা হায়বসিসু খঙজিনবদা হয়েং ইলেক্সন্দা কান্নরক্কনি। লানসিগী মতাংদদি মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙলে। কনানা করি মরমগীদমক হৌরক্তুনা কনাদা চত্থরকপনো, কনা-কনানা খামগদবনো, মখূৎ মক্রাং লোল্লগা য়েংদুনা লৈরক্লিবশিংনা কনানো, লান লোইশিনহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা অৱাংবা চৌক্রিদগী নান্থরক্তনবা অরৈবা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরক্লিবশিংসু লোইনা খঙলবনি। লানসি থা ৬ ফাজিল্লক্লবনি। হৌজিক্তি রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন, পোলিটিকেল পার্টি মশেল ওনশিন্নদুনা চীক্লবা, ধোরা হুরানমিন্নখিবশিংদু নোং তারগা কৈনো পোপথোক্লবদৌনা তৌনবগী মহুত্তা লানসিগী মায়োক্তা চপ-মান্নবা ফিরেপ অমদা রুল্লিং-ওপোজিসন খায়দনা লেপমিন্নরকউ। মথংগী মীখলদা ভোট খোমদবা য়ানি।

## ꯑꯋꯥꯏ-ꯑꯈꯨꯝ

### ꯍꯤꯌꯥꯡ ꯇꯥꯟꯅꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯇꯨꯝꯕꯥꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯊꯧꯕꯥ

ꯔꯨꯜꯂꯤꯡꯒꯥ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯀꯟꯁꯠꯔꯛꯇꯤꯕ ꯀ꯭ꯔꯤꯇꯤꯁꯤꯖꯝ ꯄꯤꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯱꯹꯵꯰ꯒꯤ ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶ꯇꯒꯤ ꯆꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯒꯥ ꯁꯥꯒꯣꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯖꯕꯥ ꯄꯥꯎꯔꯧꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯒꯅꯥ ꯍꯤꯃꯥꯏ ꯆꯨꯝꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯤꯅꯥꯎ ꯁꯥꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯆꯤꯡꯕꯥ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯁꯤ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯂꯩꯖꯔꯒꯁꯨ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡꯒꯥ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯃꯒꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕꯥ, ꯑꯔꯥꯟꯕꯥ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯔꯒꯥ ꯄꯦꯗ꯭ꯔꯤꯠ ꯊꯣꯛꯀꯥ ꯉꯥꯡꯉꯟ-ꯁꯛꯂꯕꯥ, ꯆꯩꯅꯕꯥ-ꯍꯨꯟꯅꯕꯥ, ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯃꯗꯥ ꯃꯔꯥꯜ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯗꯤ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯁꯤꯅꯥ ꯀꯨꯞꯁꯤꯟꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯇꯥ ꯊꯣꯀꯏ꯫ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯁꯤ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯩꯁꯨ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯈꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯁꯨ ꯊꯥꯖꯔꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯍꯥꯎꯁꯁꯤꯡꯗꯥ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯍꯥꯎꯁꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯔꯨꯂꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯤꯔꯥꯏ ꯉꯥꯛꯂꯒꯥ ꯃꯌꯥꯏꯗꯥ ꯆꯠꯊꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯔꯨꯂꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯕꯨꯁꯨ ꯆꯠꯅꯍꯟꯅꯕꯥ ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯥꯏꯗꯤꯡ ꯑꯣꯐꯤꯁꯔ/ꯁ꯭ꯄꯤꯀꯔꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯨ ꯂꯩꯕꯅꯤꯅꯥ ꯋꯥꯉꯥꯡ-ꯁꯉꯥꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯥꯍꯩ ꯈꯣꯟꯗꯥꯗꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯄꯥꯗꯝ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯦ꯫ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯒꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯂꯧꯅꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯁꯣꯡꯕꯥ ꯃꯆꯠ ꯈꯔꯥ ꯐꯥꯎꯕꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯎꯕꯥ/ꯇꯥꯕꯥ ꯐꯪꯅꯩ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯍꯥꯎꯁꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯕꯥ ꯃꯥꯒꯤ-ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯎꯃꯤꯁꯤꯡꯒꯥ ꯎꯅꯕꯥ/ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯗꯥ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯀꯄꯥ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡꯗꯗꯤ ꯊꯥꯡꯂꯣꯟꯗꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯀꯄꯥ ꯌꯥꯎꯏ꯫ ꯄꯅꯈꯩ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯕꯥ-ꯉꯥꯡꯅꯤꯡꯕꯁꯤꯡ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯀꯏ꯫ ꯊꯧꯗꯧꯁꯤ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯏꯂꯦꯛꯇꯦꯗ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯑꯦꯄꯣꯏꯟꯇꯦꯗ ꯃꯦꯝꯕꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯊꯣꯛ-ꯁꯛꯇꯣꯔꯀꯄꯅꯥ ꯈꯔꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯐꯩ꯫ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯧ ꯄꯨꯕꯁꯤꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯖꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯥꯡꯊꯣꯔꯀꯄꯥ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯂꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯈꯣꯌꯗꯧ ꯁꯤꯛꯂꯕꯥ ꯌꯥꯎꯏ꯫ ꯍꯨꯟꯅꯔꯕꯗꯤ ꯂꯩꯇꯨꯝ ꯋꯥꯠꯇꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯔꯩ ꯁꯥꯡꯊꯅꯥ ꯑꯑꯣꯛ-ꯑꯊꯣꯝ ꯇꯧꯅꯔꯀꯏ꯫ ꯋꯥ ꯀꯥꯌꯅꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯉꯕꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯏ꯫

ꯊꯧꯗꯧꯁꯤꯃꯛ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯅꯡꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯄꯤꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯗꯁꯨ ꯊꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯈꯣꯌꯁꯦ ꯀꯝꯃꯥꯏ ꯇꯧꯁꯤꯒꯦ? ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕꯥ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯁꯤꯗꯗꯤ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯂꯦꯛꯇꯦꯗ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯧꯒꯗꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯡꯁꯤ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯥꯎꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯇꯝ-ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯡ, ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯜꯂꯀꯄꯥ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯥꯌꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯅꯤꯃꯛꯀꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯁꯤ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯄꯨꯜꯂꯦꯞ-ꯂꯦꯞꯈ꯭ꯔꯦ, ꯃꯈꯥ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯂꯨꯝꯕꯥ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤꯉꯩꯒꯤ ꯆꯩꯔꯛꯁꯤꯗꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯆꯤꯟꯗꯥ-ꯄꯥꯎꯗꯥꯅꯗꯨꯅꯥ ꯑꯋꯥꯏ-ꯑꯈꯨꯝ ꯇꯧꯅꯕꯥ ꯆꯨꯝꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯗꯤ ꯍꯤꯌꯥꯡ ꯇꯥꯟꯅꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯇꯨꯝꯕꯥꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯊꯧꯏ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯒꯤ ꯊꯧꯗꯧꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ? ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯥ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯉꯥꯡꯕꯥ-ꯁꯛꯄꯥ ꯍꯩꯔ-ꯍꯩꯔꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯄꯉꯥꯡꯗꯥ-ꯉꯥꯡꯂꯒꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯊꯥꯖꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯁꯨ ꯈꯪꯖꯤꯅꯕꯗꯥ ꯍꯌꯦꯡ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟꯗꯥ ꯀꯥꯟꯅꯔꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯈꯪꯂꯦ꯫ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯀꯔꯤ ꯃꯔꯃꯒꯤꯗꯃꯛ ꯍꯧꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯀꯅꯥꯗꯥ ꯆꯠꯊꯔꯀꯄꯅꯣ, ꯀꯅꯥ-ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯈꯥꯃꯒꯗꯕꯅꯣ, ꯃꯈꯨꯠ ꯃꯛꯔꯥꯡ ꯂꯣꯜꯂꯒꯥ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯅꯥꯅꯣ, ꯂꯥꯟ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ ꯆꯧꯛꯔꯤꯗꯒꯤ ꯅꯥꯟꯊꯔꯛꯇꯅꯕꯥ ꯑꯔꯩꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯩꯁꯤꯡ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯨ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯈꯪꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯊꯥ ꯶ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ, ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯃꯁꯦꯜ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯆꯤꯛꯂꯕꯥ, ꯙꯣꯔꯥ ꯍꯨꯔꯥꯟꯃꯤꯟꯅꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨ ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯔꯒꯥ ꯀꯩꯅꯣ ꯄꯣꯞꯊꯣꯛꯂꯕꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯅꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯆꯞ-ꯃꯥꯟꯅꯕꯥ ꯐꯤꯔꯦꯞ ꯑꯃꯗꯥ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ-ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯈꯥꯌꯗꯅꯥ ꯂꯦꯞꯃꯤꯟꯅꯔꯀꯎ꯫ ꯃꯊꯪꯒꯤ ꯃꯤꯈꯂꯗꯥ ꯚꯣꯠ ꯈꯣꯝꯗꯕꯥ ꯌꯥꯅꯤ꯫

# হুরান-চিন্থি অমদি মীনম-শোরি ওইদ-পাদগী সিলেবস শেম্বা ফরোইদ্রা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঐগী ইমান্নবা অমা লৈ। মহাক লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈ। মহাক য়াম্না ৱানা নংনা লেল্লি। মচিল-মনাওদি য়াম্না য়াম্মী। চহী হুম্ফু শুরক্লবা মীনি। মাগা ঐগা হীরম কয়াদা মতেং পাঙনৈ। নোংমত্তা খৎনখিদে। মাগী মরমচত্তি, মহাক মীঙোন্দা কায়জদবা মীনি হায়বা তাই। মঙোন্দা লানবীরকপগীদি করিম কায়দে অদুগা মানা মীঙোন্দদি করি অমত্তা কায়জরোই হায়। মতম পূন্নমক্তা মহাক মীগী অৱা-অনা হায়ফেৎ খঙই। মসি মাগা ঐগা চহী কুন্থ্রামঙারোম লোয়নরকপা অসিদগী ময়েক শেংনা খঙলকপনি।

লৈবাক্কী ঈরাং লৈরে মা ৱা অমত্তা ঙাঙজদে। মীনা মাবু মনা লৈরগা শীজিন্নবী, মহাক মদু করি অমত্তা হায়জদে। মীনা মাগী মথক্তা কার-কারগা চৎলি। মাগী মমায়দা মীনা কিননা থিন্দুনা শান্নৈ, মহাক নাই হায়নফাও হায়দে। হায়দবতা নত্তনা নাবসু ফাওদবা মাল্লি। পোৎ-চৈ মমল তাঙখৎপা, মীওইবদগী মৎপা ৱাকৎপা পামদে, তল্লি। কনা অমত্তগা মরৈ য়েৎনবীদে। মসিনি মানা তৌরিবা মতৌ অসি। মাগীসি হন্দক্কী মপোক্কীদি পেন্দবা অমত্তা ৱাকৎলরোই হায়না চপ য়ুংনা লেপখ্রবগী মওংনি। ঐ নুংশা থিবা পোক্লে। মসিগীসু মথক্তা মহাক কথোকপা য়াম্না পাম্মী।

মাগী অসিগুম্বা অফবা মরমচৎ ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা ঐনা ঙরাং মঙোন্দা তকখত্তনা য়েৎখ্রে। করিগীনো কুনমাথোইশুবা চহী চাগী মশুং অমা লোইরক্লদুনা তাইবঙ মীনা খম থেংনা ফৎনদ্রবা মতম অসিদবু নঙনা হৌজিক অদুম্মাইনা লৈরিবদু নমায়দু ঈকপু ঈক্কাইজদ্রা, নশক অদু য়েংনীংদেনেহে, মতম অসিদা নঙগুম্বা ৱাখল লায়না চেনবা মীশিং অসিদি করিনো কদাইদনো মী খৎনবদরা হোৎচিল্লগা শিগে শিজখ্রোনেহে নৎত্রগা করিনো অমা তৌদুনা শিজখ্রো! নখোয়গুম্বা অফবা মী খরা অমা উবসি মীৎ নারেনে, তীল হৌরে হায়নফাও চৈথখ্রে। অদুক থীনা ঐনা মাবু চৈথবদু মহাক শাউবগী মহুত্তা মোমোন-মোমোন নোক্লগা অসুম লৈ। ঐঙোন্দা মানা শাউবগী মহুত্তা শঙ্গোম নঙ-নঙ লাউনা হাপ্লগা চাদুম হাউনা লোল্লগা পীদুম পীথক্লকই। চৈরুব্রা হায়ববু হরাউবা ওইনা থোকখ্রে।

অসুক মী ফৎনদ্রবা ওইজবতা থিনরবা মতম অসিদবু মাগুম্বা অফবা অতাঙবা মী অসিদি ফত্তবা মী ওইনা ওন্ন-তৈনদুম লৌবা য়ারবনি। মাগুম্বা মী কয়া অমা লৈরবদি ইরৈবাক ইরমদম অসি মাঙবা তারক্ত্রা? হৌগৎলক্লিবা অঙাং নুবী ময়াম্না মাগুম্বা অফবা মী উরগা মতৌ তম্নদুনা লোইনা মাঙবা তারে, মী ওইবা ঙম্নররোই হায়দনা থিরপ য়াম্থখ্রবনি। মখোয়গুম্বা অফবা মীশিংগী লমচৎ অসি মতৌ অমুক তম্নরক্তুনা লাইচৎ ওইনা শন্দোরক্লবদি ঐখোয়গী লমদম অসি মমৈদা করি ওইগনি?

মতম অসিদদি মী অমনা হিংচাবা ওনবা ঙমগদৌবনি। ইচিল-ইনাও ওনশিন্নদুনা চিকখায়নগদবনি। ফূনবা য়ৈনবা, ওইদ-পাদ ঙাঙবা, পূকচেল শেপ্পা, মী হুনবা, মীগী মরল-মথুম মুনবা লাকপা, মীনম শোরি, খদ্রক, হুরান-চিন্থি, হিংচা-য়াইতম, লুট-পাৎ ময়ামসিগী মরক্তা অমফাওবা হৈত্রবদি ইতাওবীনা করম হায়না অচঙবা মী অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনো, ইতাওবী হায়না ঐনা পুং অমরোম কপতৌখৈ লেকচর তৌ-তৌদুনা ঙাঙবদু মহাক মনাদা মচেৎ অমা হাপ্তে। ঐ ওইনা মমৈদা অরানবা তাবগী ৱাফল্লোমদা লাক্লে। মী হায়বসি জাৎ-জাৎনিকো অসিগুম্বা মী অসিবু কলিযুক্তা হিংলল্লিবসি হাইফেৎ ঙক্তি ঙকইহে!

"মতম অসিদা মুনি শাদুনা অচুম্বা ঙাঙদুনা, চুমচৎ-চত্তুনা লৈরদি ইচা-ইশু করম্না য়োক্কনি? তাইবঙ মী ওইনা পোক্লবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। মী ওইনা পোক্তুনা চাক মাঙনবা, লৈফম চিন্নবা, পোৎ-চৈ তাঙখৎনবা, মীঙোন্দা ওৎনবা হিংবগা চপ মান্নরে। চম্ফুৎ ওইদুনা হিংবা, অফবনি, মবূকচেল শেংইকা হায়দনা মতম অমদা থাগৎনরম্বা, ইকায়খুম্নরম্বা, মাবু লুচিংবনি, অচৌবা মীনি, গ্রেট মেন্নি, মহান আদমিনি কা হায়দনা ঈরাৎনরম্বা অদুগী মতম লোইরবকান্দা ইতাওবীনা চীংজাউগুম্না লেপ্তুনা পাউতাক পীগনি, ফিদম্নফম ওইনি কাইনা লৈরম্বসি ঐদি তীনবী কাঙখ্রে। হা-হা-হা হৌজিকপু অফবা মীনি কাইনা চাউথোকচদনা ৱাখলগা নুংঙাইজরম্বা অদুদি চহী চা কয়াগী মীনা অফবা ৱাখল খল্লগা ফনা খনবীরম্বগী মতৌদু নীংবু নীংশিংলকই। হৌজিক মী অমনা মী ওইগে হায়রবদি অহানবদা মী অদু শা ওনবা তাই অদুগা মহাক মী ওইবা ঙমগদৌরিবনি।" ঐগী ইমান্নবা অদু অসুম হায়না ফনা হায়রবসু ৱাখল তাহনবদি ঙমদ্রে। মাগী হৌনবী কথোকপা, ওইজবা থাদোকপা, মীগী খনবা, অচৌবা ৱা ঙাঙবা, পাউতাক ময়াম পীথরকপা হায়বা মাগী হৌনবী অদু অসুম তৌদুনা লৈখ্রে।

মমৈথংদা ঐসু মাগী শুম ৱারী শানরবদি অচুম্বা চৎনীংলকপা, কথোকপা পান্নক্তনা অশোয়বা মী অমা ওইরকপা শোয়দে হায়না পাখৎলকখি। কদায়দগী ঐ সিগুম্বা ৱাখলগা শম্নরুবা য়াবা নত্তে, ইচা-ইশু শেমগদবা য়াম্না লৈরি। কোন্না শেল পায়দা পায়রক্লবা মতমদা অদুক অচুম্বা ঙাঙবা অওইবা ঙাঙবা খন্নবা য়াই, অদুদি নত্তনা হৌজিক্তগী হৌনা ঐনা কথোকপা তারবদি ঐগী করি লৈদৌরি? মানা লোনবা চা অদু থকমিন্নরম্লগা ঐ য়ূমদা প্রপ-প্রপ অদুম হল্লকখি। লম্বী চৎনা-চৎনা মতম অমা মথায় থায়না চুম্মী কাইনা খল্লম্বা ৱা কয়া অমা হৌজিক অরানবদৌনা অমদি অঙাওবদৌনা লৌনরক্লবদি খন্ন-খন্না হল্লকই। মসিদবু ঐনা হৌজিক শাধু শাদুনা, মুনি ওন্দুনা লাই নীংদুনা কয়াম চাউবা শাধু, করম্বা থাক্কী মুনি ওইদৌরিনো হায়নকাসু জাৎ-জাৎ চুম্বা-চুমদবা পংখল মখল্লকই। চীন্দদি হুরানগনু হায়, ঐসু ইখূৎনদি মীগী শেম্ফুদা মীরৎ-নারৎ য়েংলগা হুমজরিবনি।

মতম অসি য়াম্না ফত্তে মীঙোন্দকাদি হায়দোকপীনুকো। হিংচা-য়াইতম্বা মীরৈহৎকী মতম অসিদা মতমগী মী ওইনা হিংবা ঙমগে হায়রবদি অচুম্বা ঙাঙবা, অচুম্বা চৎপা অসি পর্সেন্টেজ খরা-খরা হন্থবীয়ু হায়নকাসি ইতোমতা খঞ্জরিবনি। মীঙোন্দবুদি হায়জরুদেকো। তিঞ্জ্বং অমা য়ূরবদি তিঞ্জ্বং অমনা হল্লু হায়নৈ মসি তারক্লি, হুরানববু থেংনগে হায়রবদি হুরানবা তাবনি। য়ারগদি তুংগী হৌরক্লিবা অঙাংলোনশিংগী য়েংলগা ওইদবা ঙাঙবা, মীনম শোরি, হুরান-চীন্থি অসিনচিংবগীসু স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা কোর্স অমা অথুবদা হাপচিনবনা ফরনিকাইনসু ওইবা য়ানি-য়ারোই খঙদনা ইশানা-ইশাদগা সজেসন তৌজরিপোৎনি। মসিগীদমক ঐঙোন্দগা য়াওবীয়ু হায়না চেবাউকা পীরক্তুনা হায়বিরক্লবদি ঐসু সিলেবস শেম্বদা মতেং মচা অমত্তং পাঙবা ঙম্ব্রা য়েংজগে খঞ্জরি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ইলাইচি অচৌবা # ৪১৪

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ইলাইচি পম্বী অসি মখল অনী লৈ। মখোয়শিং অদুদি ইলাইচি মচা অদুগা অতোপ্পা অদুনা ইলাইচি অচৌবা অসিনি। পাম্বী অনী অসিগী থোইদোক্লা খেন্নবা অমা হায়রগদি ইলাইচি মচা অসিদি লৈ অমসুং মহৈ অদু পাম্বীগী মতোন্দা শাৎলি অমসুং পাল্লি অদুগা ইলাইচি অচৌবদনা লৈবাক্কা থংনবা মউ অদুদগী শাৎলি অমসুং পাল্লি। পাম্বী অনী অসি শাগৈ মান্নজরবসু জিন্স অমসুং স্পিসিস খেন্নৈ। ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসি ইংলিসতা গ্রেটর কার্দামোম (Greater Cardamom) নৎত্রগা বেঙ্গোল কার্দামোম (Bengal Cardamom) নৎত্রগা ব্লেক কার্দামোম (Black Cardamom) নৎত্রগা ব্রাউন্দ কার্দামোম (Brown Cardamom) নৎত্রগা নেপাল কার্দামোম (Nepal Cardamom) নৎত্রগা হীল কার্দামোম (Hill Cardamom) নৎত্রগা ইন্দিয়ান কার্দামোম (Indian Cardamom) নৎত্রগা ৱিঙদ কার্দামোম (Winged Cardamom), হিন্দিদা বরি ইলাইচি (Bari ilaichi), অসামিজদা নেপালি ইলাইচি (Nepali ilaichi) নৎত্রগা দাঙ্গোর ইলাইচি (Dangar ilaichi), নেপালিদা অলাইচি (Alaichi) নৎত্রগা থুলো-শুকুমেল (Thulo-sukumel) সংস্কৃটতা আইন্দ্রি (Aindri) নৎত্রগা ব্রিহতুপাকুনচিকা (Brihatupakunchika), উর্দুদা বরি ইলাইচি (Bari ilaichi), চাইনিজদা কাওগুও (Caoguo), ভিএটনামিজদা থাও-কুৱা (Thao qua) সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা এমোমম সুবুলেতম (Amomum subulatum Roxb.) নৎত্রগা কার্দামোমম সুবুলেতম (Cardamomum subulatum (Roxb.) Kuntze) হায়না কৌই অমসুং জিঞ্জিবরেসী (Zingiberaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি জিঞ্জর-শিং পাম্বী (জিঞ্জিবর ওফিসিনেল), টর্মেরিক - য়াইঙং পাম্বী (কুর্কুমা দেমেসতিকা), তখেল্লৈ পাম্বী (হেদাইটিয়ম সিকেতম) অসিনচিংবনি।



ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসি অথোৎপা, চবুন ওইনা ফুট ৫ ফাওবা ৱাংবা অদুগা চহী খরা পুন্সিবা পাম্বীনি। পাম্বী অসি ঈশিং-ঈনিল মরাং কায়না লৈবা চীংগী থেলশিং অমসুং নাপোমদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইলাইচি অচৌবা অসি ইন্দিয়া, নেপাল অমসুং থাইলেন্দদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। খা নোংপোক থংবা চাইনাগী মফমশিং, ম্যান্মার, টিবেট, বাংলাদেশ অমসুং ভুটান্দসু ইলাইচি অচৌবা অসি হৌই হায়না পাউদল্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা ইলাইচি অচৌবা হৌবা মফমশিংদি সিক্কিম, দার্জিলিং, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশনি অদুবু ঙসিদি পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা থানখ্রে। পাউদমগী মতুংইন্না সিক্কিম অমসুং দার্জিলিং খক্তনা পৃথিবীগী অপূনবা ইলাইচি অচৌবগী পোখোক অদুগী তঞ্জায় হেন্না পুথোকই। সিক্কিম, দার্জিলিং অমসুং নেপালগী মফমশিংদা ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসি য়াম্না পাক শন্না থাই। এগ্রো-ফোরেষ্ট্রি (Agro-Forestry) গী মখাদা ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসিগা হিমালয়ান এলদর হায়বদি পরেং (এলন্স নেপলেন্সি - Alnus nepalensis) হায়রিবা পাম্বী অসিগা পূন্না থামিন্নৈ। অতৈ পাম্বী অয়াম্বদা ওইদবগুম পরেং হায়রিবা পাম্বী অসি নুংশিৎতা য়াওরিবা নাইত্রোজেন অদু ফাজিল্লগা হার ওন্থোক্লগা পাম্বী মশা অদু মপূং ফানা হৌবা ঙম্বগী মথক্তা মনাক্তা হৌরিবা পাম্বীশিং অদুদসু লৈবাক-লৈহাও ফগৎহন্দুনা থোইদোক্লা কান্নবা পীবা ঙম্মী। ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসি নুংশাগী মঙাল খরা হন্থবা মফমশিংদা মপূং ফানা হৌবা পাম্বী অমনি। পরেং পাম্বী অসিনা ইলাইচি অচৌবগা পূন্না থামিন্নবনা পরেং পাম্বী অদুনা ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অদুদা উরুম পীদুনা ইলাইচি অচৌবা অদুগী পোখোক মপূং ফানা পুথোকহনবা ঙমহল্লি।

ইলাইচি অচৌবা অসি মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক্লা কান্নহনবা মচল কয়ামরুম য়াওই। ইলাইচি অচৌবগী মহৈ অদুদা ইসেন্সিএল ওইল হায়রিবা থাও অসি চাদা ৩গী চাংদাদা য়াওই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইলাইচি অচৌবগী মহৈদা প্রোতিন অসি মহৈ গ্রাম ১গী মনুংদা মিলিগ্রাম ২৩৫ রোম য়াওই। থাওগী চাদা৬ লোমদি টর্পিনোলশিংনি।

ইলাইচি অচৌবা পাম্বী অসি মীওইবগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা পাক-শন্না শীজিন্নৈ। চাইনাগী অরিবা লায়েং-পথাপ্তা ইলাইচি অচৌবা অসি পুক নুংশিৎ কাবা, চাকখাও চাথৎপা অমসুং থজিন শাওগৎপা লায়েংবগী মথক্তা মলেরিয়া (Malaria) লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। তিৱারী (Tewari) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৭তা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদদি ইলাইচি অচৌবা পাম্বীগী মউ (Rhizome) অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা জোন্দিস হায়রিবা নাপু কাবগী লায়না অসি লায়েংনৈ। ইন্দিয়াগী অয়ুর্বেদকী অনা-লায়েংদা ইলাইচি অচৌবা অসি চাবা তুমদবা, খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা তোংশা কায়দুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি।

পাম্বী অসি লোক থুংবদা থোইদোক্লা কান্নহনবগী মথক্তা মীওইবগী হার্ট অসিসু মপাঙ্গল কন্না থম্বদা মতেং পাংই। মীওইবনা চীন-খা মনম নমথীবদা ইলাইচি অচৌবগী মরূ খরা শায়গাইরগা ঙাইহাক উমদুনা থম্বদা মনম নমথীবা অদু মাঙখিগনি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না ইলাইচি অচৌবা অসি হরা-কংখু তৌবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না তোয়না ওনীংবা ফাওরবদি ইলাইচি অচৌবগী মহৈ অমা য়ানুংদা উমদুনা থম্বীয়ু। কনাগুম্বনা উরিং (Pimple) থুংলবদি ইলাইচি অচৌবগী অতেকপা মহৈ অদু খোনগুম্বা অমদা শুগায়রগা লৌবা অনংবা মহৈ অদুনা চাং নাইনা তৈবদা ফহনবা ঙমগনি হায়নসু পাউদল্লি। হায়রিবা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা গাউট হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদসু থোইদোক্লা কান্নহনবগী পাউদমসু লৈ।

লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবদগী খঙবা ঙমখ্রে মদুদি ইলাইচি অচৌবা পাম্বীগী মরূগী থাও অদু মখল কয়াগী হিংকুপশিং মরু ওইনা বেক্টেরিয়া অমসুং কোকফাই শুজা (Fungi) শিং মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী। মীওইবগী হকচাংদা পাঙ্গল-শক্তি পীবা ঙম্বা মরম্না ইলাইচি অচৌবগী মরূ অসি ভাইরস ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। ইলাইচি অচৌবসি চাং নাইনা চাবনা মীওইবগী হকচাংদা হু কাবা অদু মাঙহনবা ঙম্বা মরম্না লিভরবু মপাঙ্গল কন্না থম্বদসু মতেং পাংই হায়না পাউদল্লি। মীওইবগী য়াসু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙমহল্লি। পূক্লিং-ৱাখলগী লায়না লৈবা মীওইশিংনা ইলাইচি অচৌবা চাং নাইনা পীজবিবা য়াই। ইলাইচি অচৌবা অসি এঞ্জাং, মরু ওইনা শা-ঙা থোংবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। থোইদোক-হেন্দোক্লা মগুণ লৈবগীদমক্তা পাম্বী অসিবু কুইন ওফ স্পাইস (Queen of Spices) হায়না শীংথানৈ। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৬

১) **"খোঙউপ বুট"** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **"মীৎতাঙবা শগোলগী মিংদা অঙম্বা কৎপীয়ু"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে অমসুং লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) **"থাজমানবী"** (২০২২) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **"অপাইবা তাঙ্গোই"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?

৫) **"লমদমসিগী ইতিহাসকী চেনা খূদিং
পিরাংনা চোৎতুনা লাক্লে;
কয়াদা তমথীখ্রবনো মীওইবগী থম্মোয়?"**
শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।